# ষ্টেট লেভেল অমসুং গভর্ণরস টাইক্বান্দো কপ শান্নরোয় ৫৫৪ না শরুক য়াদুনা হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ ঃ
ওল মণিপুর টাইক্বান্দো এসোসিএশন্না শিন্দুনা ২৯ শুবা মণিপুর ষ্টেট টাইক্বান্দো চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ অমসুং ১২ শুবা গভর্ণরস টাইক্বান্দো কপ মণিপুর ২০১৬ ঙসিদগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা নেসনল স্পোর্টস একাদেমিগী টাইক্বান্দো ত্রেনিং হোলদা শান্নরোয় ৫৫৪ না শরুক য়াদুনা চথবা হৌখ্রে।

নুমিৎ মরিনি চুপ্পা থা অসিগী ২১ ফাওবা চথগদৌরিবা মণিপুর ষ্টেট টাইক্বান্দো চেম্পিয়নশিপ অমদি গভর্ণরস টাইক্বান্দো কপ অসিদা লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা টাইক্বান্দোগী য়ুনিট ১৮ না শরুক য়ারি।

য়ুনিট অসিদগী লাকপা নুপামচা শান্নরোয় ৪১৪ অমদি নুপীমচা শান্নরোয় ১৪০ না তোঙান তোঙানবা ৱেথ কেটাগোরিশিংদা অথোই অহেন তান্নগনি। চেম্পিয়নশিপ অসি ঙসি নুংথিল বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর বোবি ৱাইখোম (আই এ এস), ওল মণিপুর টাইক্বান্দো এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট ৱাই খেমচান্দ অমদি য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী হান্না জোইন্ট দিরেক্টর ওইরম্বা দব্লিয়ু সুসিলকুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা হৌদোকখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা নেসনল স্পোর্টস একাদেমি (এন এস এ) খুমন লম্পাক অমদি সাই আর সি তাকয়েল পাৎনা গোল্ড মেদল ৩/৩ ফংখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা কেদেট বোইজগী কেজি ৪৯ মখাগী কাঙলুপ্তা নেসনল স্পোর্টস একাদেমিগী লাইশ্রম লেম্বনা গোল্ড, য়ু টি এগী নোংদারেন খাবনা শিলভর মেদল অদুগা সাইগী আর কে ধনজিৎ অমসুং এস টি টি এসকী এম দি বেদারুদ্দিন্না ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

কেদেট গার্লসকী কেজি ৩৭ মখাগী কাঙলুপ্তা সাইগী টি ঐচ লকিনা গোল্ড মেদল ফংখি। য়ু টি এগী উমিলে মংশাতাবম্না শিলভর মেদল, খুয়াথোংগী কে কৃষ্ণকুমারি অমদি আই এম এ চিংথাংগী লিংজেল লৈশাংবম্না ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

কেদেট গার্লসকী কেজি ৪৪ মখাগী কাঙলুপ্তা নেসনল স্পোর্টস একাদেমিগী নাওরেম রিমানা গোল্ড মেদল, য়ু টি এগী ৱাই অবেনাওনা শিলভর মেদল, য়ু টি এগী কে প্রিয়াঙ্কা অমদি নেসনল স্পোর্টস একাদেমিগী কঞ্চন কৈশাম্না ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

জুনিয়র বোইজগী কেজি ৬৩ মখাগী কাঙলুপ্তা নেসনল স্পোর্টস একাদেমিগী সি ঐচ য়াইখোম্বনা গোল্ড মেদল, সাইগী এন জি রোনেন্ডনা শিলভর মেদল, নম্বোলগী এস জেমস অমসুং সাইগী এম থৌবনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

সব জুনিয়র গার্লসকী কেজি ২৯ মখাগী কাঙলুপ্তা য়ু টি এগী আই চীংখৈঙানবীনা গোল্ড মেদল, পি টি এগী কে ঐচ জেনিট চনুনা শিলভর মেদল, আই এম এ চীংথাংগী এল রিনা অমদি সি টি আইগী ৱাই জিবে চনুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

সেনিয়র মেনগী কেজি ৭৪ মখাগী কাঙলুপ্তা সি টি আই শগোলবন্দগী ঐচ মনিচন্দ্র অমসুং সাইগী এল ধননা ফাইনেল শান্নরগনি। ইবেন্ট অসিদা মণিপুর পুলিসকী ঐচ বোবোনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। সেনিয়র ৱিমেন’সকী কেজি ৪৬ মখাগী কাঙলুপ্তা সাইগী এন জি অবেম্না গোল্ড মেদল, য়ু টি এগী কে ঐচ য়াইফবীনা শিলভর মেদল ফংখি।

সব জুনিয়র গার্লসকী কেজি ২২ মখাগী কাঙলুপ্তা সাইগী এন সানিয়ানা গোল্ড মেদল অদুগা খুয়াথোংগী ৱাই দাইনানা শিলভর মেদল ফংখি। জুনিয়র গার্লসকী কেজি ৫৫ মখাগী কাঙলুপ্তা সাইগী ঈ সনাথোইনা গোল্ড মেদল, নেসনল স্পোর্টস একাদেমিগী এল লিনানা শিলভর মেদল, য়ু টি এগী ৱাই গিতিকা অমদি এম পুস্পটেলিনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

# চান্দেল ফার্ষ্ট দিভিজন লীগকী অহৌবা নুমিৎতা সি সি ৱাই সি অমসুং সি ৱাই সি সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ ঃ
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) চান্দেলনা শিন্দুনা ঙসিদগী লিৱা সরাই ফুটবোল গ্রাউন্দদা টিম তরানা গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ চথবা হৌখ্রে।

ফার্ষ্ট দিভিজন লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি চান্দেল খৃষ্টেন য়ুথ ক্লব (সি সি ৱাই সি), চান্দেল খুলেন য়ুথ ক্লব (সি কে ৱাই সি), চঙনিং য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লব (সি ৱাই সি সি), জাফৌ য়ুথ ক্লব (জে ৱাই সি) অমসুং ন্যু ৱংপরালনি। গ্রুপ বিদা শরুক য়ারিবা টিম মঙা অদুদি লিট্টল দ্রোপ লাইফ ফুটবোল ক্লব (এল দি এল এফ সি), জোন্তালাং য়ুথ ক্লব (জেদ ৱাই সি), চেংখু ফুটবোল ক্লব (সি এফ সি), লিৱা সরাই য়ুথ ক্লব (এল এস ৱাই সি) অমসুং পরাওলোন য়ুথ ক্লব (পি ৱাই সি) নি।

লীগ অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রুপ এগী অহানবা মেচতা সি সি ৱাই সিনা সি কে ৱাই সি গোল ৫-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাল্লবা সি সি ৱাই সিগী গোলশিং অদু সেন্ট ৱারলোংঙমনা গোল অনী, টি এস থুমসন্না গোল অনী অদুগা ঐচ এল রোলিফসনা গোল অমা চনখি।

অনীশুবা মেচতা চঙনিং য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লব (সি ৱাই সি সি) না য়াফৌ য়ুথ ক্লব (জে ৱাই সি) গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা অমনা অমবু লাকশিনবদা ৱানখি। মেচ অদুদা মায় পাল্লবা সি ৱাই সি সিগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতম অহুমশুবা মিনিটতা এন জি লৌঙম্না গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা টিমগী মায় পাক্লবগী লম্বী শেমখি।

গোল শোথরিবা জে ৱাই সিগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবা ফনা কন্না হোৎনরবসু মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা সি ৱাই সি সিদগী গোল অমা শোথনা লৈখি।

মেচকী হাফ মতুংদা মায়কৈ অনীমক্ন া য়াম্না কন্না শান্নরকখি। গোল অমা মাঙজিল থারিবা সি ৱাই সি সিগী এন মুভিসিংনা টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৭৫ শুবা মিনিটতা চনখি।

গোল অনী শোথনা লৈরিবা জে ৱাই সিগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কন্না শান্নরকপনা মেচ অদুগী ৮০ শুবা মিনিটতা দব্লিয়ু অরকাদেনা টিমদুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চন্দুনা সি ৱাই সি সিদগী গোল অমা হন্দোকপা ঙমখি।

# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা রিও ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী অহানবা মেদল ফংখ্রবা রেষ্টল সক্সি মালিক থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৮ ঃ
রিও ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং মেদলগী আশা মথং মথং কায়দুনা রিও ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়ানা থল্লম্বা থাজবা পুন্নমক মাঙলবা মতুং য়াম্না থাজদবা মওংদা ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর সক্সি মালিকনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌদুনা ইন্দিয়াবু মায় ঙাক্লকখিবদা হরাউমনখ্রদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক চথরিবা রিও ওলেম্পিক গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর সক্সি মালিকনা ইন্দিয়াগী অহানবা মেদল একাউন্ট হাংদোক্তুনা লৈবাক অসিগী মায় ঙাকখ্রবী শান্নরোয় অসিবু লৈবাক মীয়াম্না মথং মথং থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি।

সক্সি মালিকনা রিও ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী ওইনা অনৌবা পুৱারী অমা শেমখ্রবা মতুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্না সক্সি মালিকপু থাগৎপা ফোঙদোক-পগা লোয়ননা মীপুম খুদিংদা নুংঙাইবা অমদি অপেনবা পোকহল্লে হায়রি।

সক্সি মালিকনা নুপীগী কেজি ৫৮ গী ফ্রি ষ্টাইল কেটাগোরিদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি। সক্সি মালিকনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা অসিনা লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্কী চাওথোকচনিংঙাই ওইহল্লে।

লৈবাক অসিগী চাওথোকচনিংঙাই ওইরবী রেষ্টলর সক্সি মালিক্তা তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী শেলগী মতেং পীগনি হায়না লাউথোক্লখিবগা লোয়ননা লেমজনিংঙাই ওইরবা এৱার্দ কয়াসু পীরগনি হায়রি।

# কুমজা ২০২০ টৌকিও ওলেম্পিক্সতা দিপা কর্মাকরনা শোয়দনা মেদল লৌগনি ঃ দুলাল কর্মাকর



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৮ ঃ
রিও ওলেম্পিক্সতা দিপা কর্মাকরনা ইন্দিয়াগী মেদল অমদি শোয়দনা লৌগনি হায়না মীয়াম্না অচেৎপা থাজবা থল্লম্বা অদু পোইন্ট খরখক্তমক ৱাৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌদনা মরিশুবা পোজিশন্দা লৈখিবদা লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লখ্রবা মতুং দিপা কর্মাকরগী অপোকপা দুলাল কর্মাকরনা লাক্কদৌরিবা টৌকিও ওলেম্পিক্স ২০২০ দা মেদল শোয়দনা লৌগনি হায়না থাজবা ফোঙদোকখ্রে।

রিও ওলেম্পিক্সতা দিপা কর্মাকরনা জিম্নাষ্টিক মশান্নদা চহী ৫২ গী মতুংদা অহানবা ওইনা শরুক য়াদুনা অনৌবা পুৱারী অমা শেমখিবগা লোয়ননা জিম্নাষ্টিক্কী ফাইনেল য়ৌবা লৈবাক অসিগী অহানবা শান্নরোয় ওইখ্রবনি। দিপা কর্মাকরনা ভোল্টকী কম্পিটিশন্দা পোইন্ট খরখক্তমক ৱাৎতুনা মেদলগী আশা কায়খিবসু মহাক্না রিও ওলেম্পিক্সতা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীখি। দিপা কর্মাকরনা রিও ওলেম্পিক্সতা উৎখিবা পার্ফোমেন্স অদু য়াম্না মপুং ফাই। মদুগীদমক্তা ঐহাক য়াম্না চাওথোকচৈ হায়না দিপা কর্মাকরগী অপোকপনা ফোঙদোকখ্রে।

ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর মানিক সরকারনা ফোঙদোকখিবদা দিপা কর্মাকরনা রিও ওলেম্পিক্সতা মরিশুবা পোজিসন তাহৌরবসু মহাক অসি অদুমক ৱিন্নর ওইরগা লৈরবনি। ঐখোয়না কাওথোক্লোইদবদি ইন্দিয়াগী জিম্নাষ্ট অমত্তনা ওলেম্পিক্কী ফাইনেল য়ৌবা ঙমদ্রিবনি অদুবু দিপা কর্মাকরনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবদা নত্তনা মরিশুবা পোজিসন ফাওবা লৈখিবা অসি ষ্টেট অসিগী চাওথোকচনিংঙাইনি।

দিপা কর্মাকরনা রিওদগী মহাক্কী মরমদমদা হল্লকপদা ত্রিপুরাগী মীপুম খুদিংমক্না মহাকপু ওগষ্ট ২২ দা ওক্ল নবগীদমক শেম শাখ্রে।

# লৈহাও মেমোরিএল সুপর দিভিজন লীগতা কে পি এস সি মায় পাক্তুনা পোইন্ট ১৪ ফংলগা টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ ঃ
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) ককচীংনা শিন্দুনা দি এস এ ককচীংগী প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী মেচতা ককচীং পোপুলর স্পোর্টিং ক্লব (কে পি এস সি) ককচীং মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা কে পি এস সি ককচীংনা য়ুনাইটেদ ব্রদরস স্পোর্টিং এসোসিএশন (য়ু বি এস এ) মন্তক গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদু লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী অরোইবা লীগ মেচ অসিদা মায় পাল্লবা কে পি এস সি ককচীং পোইন্ট ১৪ ফংলগা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে।

কে পি এস সি ককচীংনা মেচ তরেৎ শান্নখিবদা মেচ মরি মায় পাকখি। মেচ অনীনা দ্রো ওইখি অদুগা মেচ অমনা মায়থীদুনা পোইন্ট ১৪ ফংলগা চেম্পিয়নগী লম্বী য়াওখিবনি। মায়থীহৌরবা য়ু বি এস এ মন্তক পোইন্ট মাপনখক ফংলগা মঙাশুবা মফমদা লৈরি। হৌজিক ৱাই পি ওনা পোইন্ট ১৩ ফংলগা অনীশুবা মফমদা লৈরি। এস এ ও ককচীংনা পোইন্ট ১২ ফংলগা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা মায় পাল্লবা কে পি এস সি ককচীংগী গোল অনীমক মেচ অদুগী অহানবা হাফতা চনখি। মায় পাল্লবা কে পি এস সি ককচীংগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অহানবা হাফকী শরুক্তা য়াম্না হৈশিংনা অমসুং কোওর্দিনেসন লৈনা শান্নখিবনা মেচ অদুগী ২৩ শুবা মিনিটতা ৱাই কিষন্না গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা টিমগী মায় পাক্লবগী লম্বী শেমখি।

গোল শোথরিবা য়ু বি এস এ মন্তক্কী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরিঙৈ মেচকী ৪০ শুবা মিনিটতা কে এস ঐচ টাইসন্না কে পি এস সিগী অনীশুবা গোল চনখি। অহানবা হাফ ফাওবদা য়ু বি এস এ মন্তক্না গোল অনী শোথনা লৈখ্রবা মতুং মেচ অদুগী ৭৯ শুবা মিনিটতা জেসিনা টিমদুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চন্দুনা কে পি এস সি ককচীংদগী গোলা অমা হন্দোকপা ঙমখি।

# দাংমৈ মজাবি কবুই মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগতা এফ সি মোইরাংনা লসাল লৈমপোকপম মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা তরুকশুবা দাংমৈ মজাবি কবুই মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এফ সি মোইরাং মায় পাকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সুপর দিভিজন টিম তরেৎনা শরুক য়াদুনা চথরিবা লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এফ সি মোইরাংনা লসাল লৈমপোকপম গোল ৯-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাউনা মায় পাল্লবা এফ সি মোইরাংগী শান্নরোয়শিংনা অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না হৈশিংনা অমদি কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নরকপনা মেচকী মতম পূম্বদা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া লেপ্তুনা চথখি। এফ সি মোইরাংগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা হেনখিবা মরম্না মেচ অদুগী অহানবা হাফতা গোল অনী চনখি অদুগা হাফ মতুংদা গোল তরেৎ চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল ৯ শুখি।

গোলশিং অদু তেলহৈবনা গোল অহুম মেচকী ১৮, ৭০ অমসুং ৯০ শুবা মিনিটতা চনখি। দিপক্না গোল অনী মেচকী ৯০ অমসুং ৯৪ শুবা মিনিটতা চনখি। নিমথোংনা গোল অনী মেচকী ৭৩ অমসুং ৮৫ শুবা মিনিটতা চনখি। সুন্দরনা গোল অমা মেচকী ১৬ শুবা মিনিটতা অদুগা ক্লিমেননা গোল অমা মেচকী ৭৯ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ মায়থীহৌরবা লসাল লৈমপোকপমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জোতিন্না মেচকী ৮৭ শুবা মিনিটতা চনখি।

# অহানবা হেরা সিংহ মেমোরিএল ভেটরান কাং টুর্নামেন্ট




ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএশন (এ জে এস এ) না শিন্দুনা জিরিবামগী কালিমাই মান্দপতা থা অসিগী ৩ দগী কাংখূৎ তরুক্লা শরুক য়াদুনা চথরক্লিবা অহানবা টি ঐচ হেরা সিংহ মেন’স ভেটরান কাং টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এল ঈ সি বাবুপাড়া মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা কাংখূৎ তরুক্লা শরুক য়াদুনা চথরিবা ভেটরান কাং টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মঙাশুবা মেচতা এল ঈ সি বাবুপড়ানা দিবোং জি পি টিম বিবু পাঞ্জল ১১-১০ দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা এল ঈ সি বাবুপড়া অমসুং দিবোং জি পি টিম বি অনীগী কাংলোইশিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা অমনা অমবু থোইনবা হোৎনবদা অরুবা ওইখি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা দিবোং জি পি টিম বি কাংখূৎনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি অদুগা এল ঈ সি বাবুপড়ানা কাং কাপ্পা হৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং মফম অসিমক্তদা অহুমশুবা কে নেনা সিংহ মেমোরিএল লৈমরোল কাং টুর্নামেন্টকী ১১ শুবা মেচ ওইনা এল ঈ সি বাবুপড়া অমসুং এ সি কে এ কছারগা শান্নরগনি।




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com